## লেবররশিং হোল্লম্বা ট্রক ফাজিনখ্রে

চান্দিগর, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি) :
য়ামদ্রবদা মাইগ্রেন্ট লেবরর ৪০ পুদুনা চৎলম্বা ট্রক অমা নোংমাইজিং নুমিৎতা পঞ্জাবকী বাথিন্দাদা ফাজিনখ্রে।

ট্রক অদু লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন চথরিঙৈ মরকসিদা মধ্যা প্রদেশকী গ্বালিয়রদগী হোনে দারকখিবা লেবররশিং অদুবু পঞ্জাবকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দ্রোপ তৌনবা লাকখিবদা পুলিসনা খমখিবনি।

লোকদাউন থুগাইবগীদমক্তা ট্রক অদুগী দ্রাইভরসু ফাখি। ট্রক অদু লুধিয়ানা সিটি তন্না লাকখিবনি।

## সিনিয়র হেল্থ ওফিসল লৈখিদ্রে

কোলকতা, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি) :
থা অসিগী অঙনবদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনগী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিনিয়র ওফিসল অমা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা কোলকতদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে।

ষ্টেট হেল্থ সার্ভিসেসকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৬০ শুরবা ওফিসর অদু শ্বর হোনবা ৱাবদগী এপ্রিল ১৮দা প্রাইভেট হেল্থ ফেসিলিটি অদুদা ভেন্টিলেসনদা থল্লকখিবনি।

# কোরোনাভাইরস লায়চৎ থেংননবা ক্যুবানা সাউথ অফ্রিকাদা হেল্থকেয়র ৱার্কররশিং থাখ্রে



হবানা, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস লায়চৎ থেংননবা ক্যুবানা থাংজ নুমিৎতা সাউথ অফ্রিকাদা হেল্থকেয়র ৱার্কর ২১৬ থাখ্রে।

মীওই কয়ানা হায়নবা সোসিএলিষ্ট সোলিদরিটি নত্রগা মেদিকেল দিপ্লোমেসিগা মরী লৈনবা থৌশিলগী শরুক অমা ওইনা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক থেংননবা ক্যুবানা মালেমগী লৈবাক কয়াদা থারিবা মেদিকেল ব্রিগেদ ২০ হেনবগী মনুংদা সাউথ অফ্রিকাদা থারিবা অসিনা ইনৌ নৌবনি।

কম্যুনিষ্ট লৈবাক অসিনা মরু ওইনা অনা লায়েংগী ফেসিলিটিসশিং ৱাৎলবা অফ্রিকা অমসুং করিবিনগী লৈবাকশিংদা নত্তনা শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা কা হেন্না শোকহল্লবা ইটালিগুম্লবা য়ুরোপকী ইনাক খুল্লবা লৈবাকশিংদসু হেল্থকেয়র ৱার্কররশিং থাখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিনা অতৈ লৈবাক কয়াদা হেল্থকেয়র ৱার্কর ১২০০ রোম থাখ্রে।

ৱার্কররশিংবু ক্যুবা ওথোরিটিশিং শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নৈ হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা মালেমগী লৈবাকশিংদা ক্যুবাগী মেদিকেল মিসনশিং চঙহন্দবা তকশিনবা লৈখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং শাথিরবা লাইচৎ অসি য়েংনবা লৈবাক অয়াম্বগী হেল্থকেয়রগী থৌমীশিং ৱাবনা মরম ওইদুনা মখোয়না প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী ৱাফম থৌশাদবগা লোয়ননা ক্যুবাগী মতেংবু তরাম্না ওক্লখি।

কোরোনাভাইরসকী কনফার্ম তৌরবা কেস ১,৩৩৭ লৈবগা লোয়ননা ভাইরস অসিনা মীওই ৫১গী পুন্সি লোমহনখ্রবা ক্যুবা অসি মালেমগী পার কেপিটা দোক্তরশিংগী মশিং খ্বাইদগী ৱাংলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি।

লৈবাক অসিগী হেল্থ সিষ্টেম লায়না-লাইচৎ থিংবা, কম্যুনিতি ওরেন্টেদ প্রাইমরি হেল্থকেয়র অমসুং লাইচৎ থেংননবা শেম শাদুনা লৈবদা মীৎয়েং থমদুনা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎপগীদমক্তা মমিং চৎলি।

ক্যুবাগী অহেনবদি কম্যুনিতি হেল্থ মোদেল ওইদুনা ঐখোয়না মতৌ তম্লিংবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লিবা অসিনি হায়না সাউথ অফ্রিকাগী হেল্থ মিনিষ্টর জ্বেলি মখিজেনা থা অসিগী অঙনবদা ন্যুজ কনফেরন্স অমদা ফোঙদোকখি। সাউথ অফ্রিকাদা থাংজ নুমিৎ ফাওবদা পুন্না মীওই ১,৬১,০০৪ কোরোনাভাইরস চাংয়েং তৌখিবগী মনুংদা পোজিটিব কেস ৪,৩৬১ দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ভাইরস অসিনা মীওই ৮৬ শীহনখ্রে।

# ৱুহানগী হোস্পিটালশিংদা লায়েংলকখিবা কোভিদ পেসেন্ট পুম্নমক দিসচার্জ তৌখ্রে



সাংহাই, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি) :
মালেমগী কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক্কী হৌরকফম ওইরিবা চাইনিজ সিটি ৱুহানগী হোস্পিটালশিংদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈত্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা হেল্থ ওফিসস অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

নোভেল কোরোনাভাইরস অসি ৱুহানগী ৱেট মার্কেট অমদগী হৌখিবনি হায়না থাজনরি। ভাইরস অসি অহানবা ওইনা মফম অসিদা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা দিটেক্ট তৌখিবা মতুংদা য়াম্না থুনা মালেম শীনবা থুংনা শন্দোকখি। হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ২.৮৩ রোম কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইবগা লোয়ননা ভাইরস অসিনা মীওই ১,৯৭,৮৭০ হেনবগী পুন্সি লোমহনখ্রে।

ৱুহান অমসুং চাইনাগী মফম কয়াদগী মেদিকেল ষ্টাফনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা এপ্রিল ২৬ ফাওবগী মনুংসিদা সিটি অসিদা অনৌবা কোরোনাভাইরস পেসেন্ট অমত্তা লৈত্রে হায়না নেসনল হেল্থ কম্মিসনগী স্পোক্সমেন মি ফেংনা ব্রিফিং অমদা হায়খি।

ৱুহানদা পুন্না কেস ৪৬,৪৫০ হেন্না রিপোর্ট তৌদুনা লৈবাক্কী অপুনবা মশিংগী চাদা ৫৬ ইনফেক্সন লৈখি। সিটি অসিদা লায়না অসিনা পুন্না মীওই ৩,৮৬০ হেন্না শীহন্দুনা চাইনাদা শীখিবা অপুনবা মশিংগী চাদা ৮৪ ওইখি। হৌখিবা জন্যুৱারী লোইরমদাইদা ৱুহানগা লোয়ননা সিটি অসিনা কেপিটেল ওইরিবা হুবৈ প্রোভিন্স লোকদাউন তৌশিনখিবনি।

# ষ্টেট প্রিজন ৪দা ইনমেট ৩,৩০০ লোম কোরোনা পোজিটিভ ওইরে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি) :
ওহাইওগী জেলশিংদা অনৌবা কোরোনাভাইরসকী অহানবা কেসশিং থেংনখিবা মতমদা জেল অসিগী দিরেক্টর ইনচার্জনা মহাক তম্নরাই অমগা লান্থেংনবগুম মশাদা ফাওবা লৈখি হায়না মিদিয়া রিপোর্ট খরদা ফোঙনবা লৈখি।

কোরোনাভাইরসকী কেস পুম্নমক কদায়দগী লাক্লিবনো হায়বা ঐখোয়না খঙবা ঙমখিদে হায়না ওহাইও দিপার্টমেন্ট ওফ রিহেবিলিটেসন এন্দ করেক্সনগী দিরেক্টর অন্নেট চেম্বর্স-স্মিথনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না ভাইরস অসিগী ইনফেক্সন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মখোয়না পাক্তক্লনা টেষ্ট তৌবা হৌখি। অহানবদা মখোয়না প্রিজনর ২৫০০ লৈরিবা নোর্থ সেন্ট্রেল ওহাইওগী মারিওন করেক্সেনল ইন্সটিট্যুসনদা টেষ্ট তৌবা হৌখি। ইনমেট কয়া হান্নদগী হেল্থ প্রোব্লেমশিং লৈরবা অহল ওইরবা মীওইশিং ওইরমখি। ইনমেট ২৩০০ রোম টেষ্ট তৌরবা মতুংদা মখোয়দা অঙকপা অমা থেংনখি। কোরোনাভাইরস চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইখিবা ইনমেট ২০২৮কী চাদা ৯৫ রোমদি লায়ওং অমত্তা উৎপা থেংনখিদে। মদু য়াম্না অঙকপা অমা ওইখি হায়না ষ্টেট অদুগী করেক্সেনল ফেসিলিটি য়েংশিল্লিবা চেম্বর্স- স্মিথনা ফোঙদোকখি।

কোরোনাভাইরসকী চাংয়েং অতৈ জেলশিংদা পাক্তক্লনা চথরকখিবগা লোয়ননা মশিং য়াম্লবা ইনমেটশিংদা লায়ওংশিং ফুদোক্তবগী মওং অমা উবা ফংখি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না ষ্টেট ৪ হায়বদি আরকন্সাস, নোর্থ কেরোলিনা, ওহাইও অমসুং ভির্জিনিয়াগী ষ্টেট প্রিজন সিষ্টেমশিংদা চাংয়েংদা কোরোভাইরস পোজিটিভ ওইখিবা ইনমেট ৩২৭৭গী চাদা ৯৬ লায়ওং অমত্তা উৎখিদে। মসিনা মশাদদি অনাবগী মওং লৈতবা, লায়ওংসু উৎতবা ভাইরস পোজিটিভ ওইরবশিংনা লায়না অসি শন্দোকপা য়াই হায়বা উৎলি।

# সিঙ্গাপোরদা কোভিদ-১৯গী কেস হেনগৎলকপদগী পেসেন্টশিংগী বেদ হেনগৎহন্নবা হোৎনরি




সিঙ্গাপোর, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি) :
সিঙ্গাপোরদা মরু ওইনা মশিং য়াম্লবা লো-পেদ মাইগ্রেন্ট ৱার্কররশিংগী মরক্তা অনৌবা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা সিটি ষ্টেট অসিগী চাওরবা একজিবিসন হোলশিং অমদি অতৈ টেম্পররি হোলশিংদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী বেদশিং থুনাা মশিং য়ামখৎহন্নবা হোৎনরি।

মীওই মিল্লিয়ন ৫.৭ লৈবা পিক্লবা সিটি ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা নোভেল কোরোনাভাইরসকী কনফার্ম তৌরবা ইনফেক্সন ১২,০০০ হেন্না লৈরে। সাউথ এসিয়াগী ৱার্কর ৩০০০ হেন্না কা হেন্না চিন্না থল্লিবা দোর্মিটরিশিংদা শথিরবা লায়না-লাইচৎ অসি শান্দোরকখিবনা মরম ওইদুনা এসিয়াদা ইনফেক্সন খ্বাইদগী ৱাংবশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা এরোস্পেস গেদরিংনি হায়নবা সিঙ্গাপোর এয়র সোগী মফম চাংগি একজিবিসন সেন্টরদা লৈরিবা অসিগুম্বা ফেসিলিটি অমদা লায়না অসিদগী ফগৎলক্লিবা মশাদা কন্দবা লায়ওং খরদি চেনবা পেসেন্ট ৪০০০ হেন্না থম্বা য়াগনি হায়না টেম্পরেরি ফেসিলিটিগী ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী মেম্বর অমা ওইরিবা জোসেপ টাউননা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না ইনফ্রাষ্টকচর অপুম্বদু শেমগৎপদা নুমিৎ ৭নি চঙখি। বংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়াদগী লাকখিবশিং ওইবা অহানবা পেসেন্টশিং থাংজ নুমিৎতা অচৌবা কনফরেন্স হোলদা হোংজিনখি।

# প্লেজমা থেরাপি চথবদা পেসেন্ট অমা অনাবা ফরে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি) :
নেসনল কেপিটেলগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা কোনৱ্লাসেন্ট প্লেজমা থেরাপি চথখিবা মশাগী চহী ৪৯ শুরবা নুপা অমা মপুং ফানা ফদুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

মীওই অদু এপ্রিল ৪দা কোরোনাভাইরস চাংয়েংদা পোজিটিব ওইরম্বদগী দিল্লিগী সকেট এরিয়াদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা ময়াই ওইরপ্পা লায়ওংশিং অমদি ফিভর অমসুং শ্বর হোনবদা নুংঙাইতবগী হিষ্ট্রিগা লোয়ননা নুমিৎতুমক্তদা এদমিট তৌখি। মহাক্কী ফিভম মথংগী নুমিৎ খরনিদা শোকচিল্লকখি অমসুং মহাক য়াম্না থুনা মপানদগী ওক্সিজেন থাজিন্দবা য়াদবগী ফিভম লাকখি।

মহাক থুনা টাইপ-১ রেস্পিরেটিরি ফেলিয়র য়াওবা নিমোনিয়াগী কন্দিসন লাকখিবগা লোয়ননা এপ্রিল ৮দা ভেন্টিলেটর সপোর্ট পীখি। পেসেন্ট অসিগী ফিভম ফগৎলকপগী মমি উবা ফংলক্তবদগী মহাক্কী ইমুংনা হোস্পিটাল অদুদা কম্পেসমেন্ট গ্রাউন্দদা মঙোন্দা প্লেজমা থেরাপি চথবিনবা হায়জখি। মদু লায়না অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়াদা শীজিন্নবা অসিগুম্বা মখলগী অহানবা ট্রিটমেন্ট মোদেলিটি ওইখি।

পেসেন্ট অসিগী ইমুংগী মায়কৈদগী ব্লদ প্লেজমা লৌথোক্ল বা দোনর অমা লাংখি। দোনর অদু চয়োল অহুমগী মমাঙদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনদগী মপুং ফানা ফখি অমসুং প্লেজমা দোনেসনগী মতমদা কোভিদ-১৯কী চাংয়েং চথবদা নেগেটিভ ওইখি। ফিভম লুনা নারবা পেসেন্ট অসি এপ্রিল ১৪গী অহিংদা ষ্টেন্দার্দ ট্রিটমেন্ট প্রোটোকোলসকা লোয়ননা ট্রিটমেন্ট মোদেলিটি ওইনা অনৌবা প্লেজমা পীখি। ট্রিটমেন্ট চথখিবা মতুংদা পেসেন্টে অসি ফগৎলকপগী মমিং উখি অমসুং মরিশুবা নুমিৎতা মঙোন্দগী ভেন্টিলেটর সপোর্ট লৌথোকখি। মদুগী তুংদা মঙোন্দা ওক্সিজেন পীবদি মখা তানা চথখি। লুরবা মতম অসিদা কোভিদকী অনৌবা ট্রিটমেন্ট অমা চাংয়েং তৌবদা মায় পাকপসি নুংঙাই হায়না হেস্পিটাল অদুগী গ্রুপ মেদিকেল দিরেক্টরনা ফোঙদেকখি।

# নর্স পোজিটিভ ওইবদগী দিল্লিগী হিন্দু রাও হোস্পিটাল থিংজিনখ্রে




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি) :
থাংজ নুমিৎতা নোর্থ দিল্লিগী সিভিক হোস্পিটাল অমদা থবক তৌবা নর্স কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা হোস্পিটাল অদু থিংজিনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ দিল্লি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা চল্লাইবা হিন্দু রাও হোস্পিটাল সেনিটাইজেসন অমসুং কনটেক্ট ট্রেসিংগী থবক্কা মরী লৈননা মতম খরগী ওইনা থিংলে হায়না মখোয়না ফোঙদোরকখি।

দিল্লি গভর্ণমেন্টকী ওথোরিটিশিংনা অনৌবা কেস১১১গা লোয়ননা থাংজ নুমিৎতা নেসনল কেপিটেলগী কোরোনাভাইরসকী অপুনবা কেস মশিং ২৬২৫ য়ৌখি। নুমিৎ অসিদা ভাইরস অসিনা মীওই অমা শীহনখি। থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা হিন্দু রাও হোস্পিটালদা দ্যুটি তাবা নর্স অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখি। মহাক্না হৌখিবা চয়োল অনীরোম অসিদা হোস্পিটাল কেম্পসকী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা দ্যুটি তৌখিবনা মরম ওইদুনা হোস্পিটাল অসি মপুং ফানা সেনিটাইজ তৌবা লোইদ্রিবা ফাওবা অমসুং কন্টেক্ট থিবগী থবক মপুং ফানা লোইদ্রিবা ফাওবা ক্লোজ তৌগনি হায়না এন দি এম সীগী কম্মিস্নার বর্সাজোসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না হৌজিকমক্কী ওইনা শুপ্নগী পেসেন্ট খরদমক গাইনিকোলোজি ৱার্দতা এদমিট তৌরি অমসুং মখোয়গীদমক্তা তঙাইফদবা এরেজমেন্টশিং হোস্পিটালগী মায়কৈদগী তৌগনি। হোস্পিটাল অসিদা চেকশিন্দবা নত্রগা থৌশানদবগী থৌওং খরা চথবগী ফিভম লৈরে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, হিরম অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনক্বারি অমা চথরগিনি।

চৈরকসিদা দি বি সিগী ৱার্কর অমগী টেষ্টকী রিপোর্ট নেগেটিব ওইরে হায়না এন দি এম সীগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। থাংজ নুমিৎতা হিন্দু রাও হোস্পিটালগী ৱার্কর কয়া অমুক হন্না কোভিদ টেষ্ট চথখিবগা লোয়ননা মথংগী নুমিৎতা রিজল্টশিং লাক্লগনি হায়রি।

# পার্সনেল ২ শীখিবদগী মুম্বাইগী পুলিস সার্কলসতা থম্মোয় শোক্লখ্রে



মুম্বাই, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি) :
মুম্বাইদা মীয়াই চল্লবা পুলিস পার্সনেল অনী কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা মথং মথং থুনা শীখিবনা সিটি অসিগী পুলিস সর্কলশিংদা থম্মোয় শোকহল্লে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সিনিয়র ওফিসল অমগী মতুং ইন্না পুলিসকী মীওই অনী লৈখিদবসি মুম্বাই পুলিসকী মরক্তা কোরোনাভাইরসনা অহানবা ওইনা থোকহনবা মীশিশিংনি। মখোয় অনীমক হেদ কনষ্টেবলশিংনি। অমনা মশাগী চহী ৫৭শুরে অতোপ্পা অমনা চহী ৫৭ শুরে। চহী কয়া সার্ভিসতা লৈরক্লবা হেদ কনষ্টেবল অনীনা লৈখিদবা অসিদা পুলিস ফোর্স অপুনবা থম্মোয় কায়হল্লে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

মথৌদা কথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংগী হেদ কনষ্টেবল অনীনা ইথা থাজদনা থুনা লৈখিদবা অসিনা ঐখোয় পুম্ববু থাম্মোয় শোকহল্লে হায়না মুম্বাই পুলিস কম্মিস্নার পরম্বির সিংহনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

শান্তাক্রুজ ইষ্টকী বকোলা পুলিস ষ্টেসনদা পোষ্টিং তাবা হেদ কনষ্টেবল পেনরুলকর এপ্রিল ২২দা মশা নুংঙাইরক্তবদগী বি আই এল নায়র হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি অমসুং তুংদা কোরোনাভাইরস টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরমখি। মহাক্কী ফিভম শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা ভেন্টিলেটর সপোর্ট পীখি। তৌইগুম্বসুং মদুনসু মহাক্কী ফিভম ফগৎহনবা ঙমখিদবগা লোয়ননা মহাক থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা লৈখিদবনি।

নবি মুম্বাইগী কমোথেদা লৈবা হেদ কনষ্টেবল সন্দিপ সুর্বেনা এপ্রিল ২৩দা এম জি এম হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি। মহাক নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা লৈখিদবনি।

# য়ু পিগী ইমুং অমগী মীওই ১৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্লে



শান্ত কবির নগর, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি) :
য়ু পিগী শান্ত কবির নগর দিষ্ট্রিক্টকী মঘরদা লৈবা ইমুং অমগী মীওই ১৮ কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরম্লে।

এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট মেদিষ্ট্রেট (এ দি এম) সঞ্জয় কুমার পান্দেনা ফোঙদোকখিবদা মগর এরিয়াগী মশাগী চহী ২৩শুরবা মীওই অমা এপ্রিল ২১দা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। ওফিসলশিংনা মীওই অসিগা নকশিন্নখিবা মীওই ২৭কী সেম্পলশিং গোরাখপুর বি আর দি মেদিকেল হোস্পিটালদা চাংয়েংগীদমক থাখি, অমসুং রিপোর্টশিংদা ইমুং অদুগী মীওই ১৮ কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লৈরে হায়বসি উবা ফংখি।

অতোপ্পা কোরোনা পোজিটিভ পেসেন্ট অমা থেংনখিবা তিলাথি ভিলেজ অমসুং মখর অনীমক সেনিটাইজ তৌবগা লোয়ননা সিল্ড তৌশিনখ্রে। শান্ত কবির নগর দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট রবিস কুপ্তনা ভিলেজশিং অদুবু হোটস্পোটশিংনি লাউথোকখি। লোকদাউন থুগাইহন্দনবগীদমক্তা খুঙ্গং অনী অদুদা পুলিস ফোর্স অমসু দিপ্লোই তৌখ্রে।

অমরোমদা, উট্টর প্রদেশতা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা ফিভম য়েংদুনা ষ্টেট অসিদা লোকদাউন মখা তানা চথখিগনি। সেন্টরনা হায়রকখিবা লোকদাউন কোমথোকপগী থৌরাংশিং হৌজিক্কী ওইনদি ষ্টেট অসিদদি চৎনহল্লোই হায়রি।

কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। দিষ্ট্রিক্ট ১৯দা কোরোনাভাইরসকী কেসশিং রিপোর্ট তৌখ্রবনি। ইনৌ নৌনা প্রয়াগর্স দিষ্ট্রিক্টতসু অনৌবা কেস অহুম দিটেক্ট তৌরে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ষ্টেট ওথোরিটিশিংনা লোকদাউন কোমথোকপগী থৌরাংশিং চৎনহন্দবা ৱারেপ লৌরে হায়না গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।